# সনালৈবাক স্পোর্টস

THURSDAY, JULY 17, 2014, PAGE 7



*গ্লাসগ্লোদা পাঙথোক্কদৌরিবা কমন ৱেলথ গেমসতা শরুক য়াননবা দাইভিং তল্লিবা শান্নরোই অমা*



*সাও পাওলোদা ওলেম্পিক নংনবা শেমগৎলিবা মেট্রো ট্রেন ট্রেক*

*মায় পাক্লবা জর্ম্মন টিমদা য়াওখিবা সুর্জনেজর, লুকাস পোদোস্কি অমদি গোল কিপ্পর নিউর না হরাওবা ফোঙদোকপা*



## বি সি সি আইনা পাকিস্থান টিম্বু মেটচ শান্ননবা বার্তন তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ঃ*

বি সি সি আইনা পাকিস্থান টিম্বু চেম্পিয়ন লিগ টি–২০ চেম্পিয়ন লিগ য়াওননবা খঙহনখ্রে। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ক্রিকেট মশান্না চাওখৎনবগীদমক হাংলিবা ইন্দিয়ান ক্রিকেট বোর্দ অমা ওইরিবা বি সি সি আইদা আই সি সি না খঙহল্লকপগী মতুংইন্না হন্দক্কী চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থাদগী হৌনা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়ন লিগ হায়না মীংথোনবা টি–২০ গী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অমা ওইরিবা পাকিস্থানবু শরুক য়াননবা খঙহনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা চেম্পিয়ন লিগ অসিদা য়াওগদবা লৈবাকশিং অদু অয়াম্বনা ইন্দিয়ান পেমিয়ার লিগতা শরুক য়াবা ক্রিকেটকী লমদা টোপ ওইরিবা লৈবাক অষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, ন্যুজিলেন্দ অমদি শ্রীলঙ্কা হান্নদগী য়াওগনি হায়দুনা খঙহল্লকখ্রবনি।

হন্দক্কী সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন লিগ অসিদা পাকিস্থান টিমসু শরুক য়াননবা খঙহনখ্রে হায়রি। বি সি সি আইনা পাকিস্থান ক্রিকেট বোর্দকী লুচিংবা ওইরিবা সুবান অহমদতা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন লিগ অসি শরুক য়ানবা খঙহনখ্রে হায়রি।

পি সি বি গী চিফ ওপেরেটিং ওফিসার ওইরিবা সুবান অহমদনা লিগ অসিগীদমক বার্তন ফংলে হায়না চিঠি হল্লকখ্রে হায়নসু বি সি সি আইগী কাউন্সিলিং চিয়ারমেন ওইরিবা নজম সেথিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখাতানা হায়খিবদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থান লৈবাক অনিগী ওইবা সেরিজ মেটচ খরা শান্ননবগী পান্দমসু থল্লি। মসি আই সি সি গী নৌনা থোক্লকপা টুর প্রোগ্রামগী মনুং চনবনি। ইং ২০১৫ দা লৈবাক অনিসিগী ওইবা টেষ্ট সেরিজ, ৱান দে ইন্টরনেসনেল নৎত্রগা টি–২০ সেরিজ কয়া শান্নগদৌরি। অদুম ওইনমক পাকিস্থানগী হোম গ্রাউন্দ অসি য়ুনাইটেদ অরব ইমরেটতা ওইগদৌরি।

মসিগী মরমদি শ্রীলঙ্কাগা লৈবাক অসিগা পাকিস্থানগী লাহোরদা ইং ২০০৯ গী মার্চ থাদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টেরেরিষ্টশিংনা শ্রীলঙ্কাগী শান্নরোইশিংগী মথক্তা এটেক তৌখিবা অদুদগী লৈবাক অসিদা চত্তুনা ইন্টরনেসনেলগী ওইবা সেরিজ শান্নবশিং অসি তোকখিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ গী চেম্পিয়ন লিগ অসিদা পাকিস্থান টিমনা লহোর লাইওন হায়না শরুক য়াগনি।





## মায় পাক্লবা জর্ম্মন টিমগী শান্নরোইশিংবু হরাওনা ওকখ্রে

*বরলিন, জুলাই ১৬ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা জর্ম্মন টিম্না মখোয়গী য়ুমদা হল্লকপদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

টিম অসিনা লিগ রাউন্দদা য়ুরোপকী লৈবাক অনি হায়বদি পোর্টুগাল অমদি ইংলেন্দবু চাওনা মায়থিবা পীখি। মখোয়না প্রি ক্বাটর ফাইনেল, ক্বাটর ফাইনেল, সেমি ফাইনেল অমদি ফাইনেলদা মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অসিনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

হন্দক্কী কপ অসিদা জর্ম্মন টিম্না লিগতগী ফাইনেল ফাওবদা চনখিবা গোল অসি পুন্না ১৭ নি। মসিগী মনুংদা সেমি ফাইনেলদা ব্রাজিলবু ৭–১ দা অমদি ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাবু ১–০ দা থোইদুনা পুন্না গোল ১৭ চন্দুনা ৱার্ল্ড কপ লৌবা ঙমখি।

ক্বাটর ফাইনেলদা ফ্রান্সবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পিখিবনি। টিম অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা গোলকিপর ওইখিবা মানুয়েল নেৱর অমদি থোমাস মুলরনা কপ অদুদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ ফংলকখি।

থোমাস মুলরনা হন্দক্কী কপ অসিদা মমাঙগী কপ কুম্না লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অনি ফংলকখি। মহাক্না বেষ্ট প্লেয়ারদা সিলভর বোল ফংবগা লোয়ননা টোপ স্কোলরগী কাঙলুপসু সিলভর বুট ফংবা ঙমখি।

মমাঙগী ৱার্ল্ড কপতা শান্নরোই অসিমক্না টোপ স্কোলর অমদি বেষ্ট জংগেষ্ট প্লেয়ার হায়বা মনা অনি অসি ফংখিবনি।

টিম অসিগী গোল কিপর অসিনা হন্দক চহিগী ওইনা খ্বায়দগী অফবা গোলকিপর ওইদুনা গোল্ডেন গ্লোব ফংখিবা শান্নরোই অমা ওইখি।

টিম অসিনা ময়ুম লৈবাক্তা থুংলবা মতমদা লৈবাক অদুগী মীওই চা কয়ানা জাতিগী ফিরাল পায়দুনা ফুটবোল্লরশিং অসিবু ওক্লনবগীদমক জর্ম্মনগী লম্বী খুদিংমক্তা মীনা চোলনা তিন্দুনা লৈরমখি। মীওই কয়ানা মখোয়বু এয়ারপোর্টতগী লাকপা লম্বীদা ঙাইদুনা ৱার্ল্ড কপ কী কপকা লোয়ননা কুমথরক্তুনা মীয়ামগা পুন্না হরাওবা ফোঙদোকমিন্নরিঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অদুগী ফিরাল কয়া মখোয়গী তুংলোমদা য়ানশিনবিরকখি।

নীংশিংবা য়াই লৈবাক অসিনা হন্দক্কী কপ অসিদা চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মরিরক শুবা ওইনা ৱার্ল্ড কপকী মপু ওইখ্রবা লৈবাক অমনি।



## ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ারুরবা কেপদিভিলা ইন্দিয়াগী সুপর লিগতা শান্নগদৌরি



*মুম্বাই, জুলাই ১৬ঃ*

মমাঙ চহিগী ৱার্ল্ড কপতা স্পেন টিমদা দিফেন্দর অমা ওইনা য়াওবগা লোয়ননা ইং ২০০৮ গী য়ুরো কপতসু স্পেন টিমদা য়াওখিবা শান্নরোই অমা ওইরিবা জোন কেপদিভিলা হন্দক ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লিগতা নোর্থ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ এফ সি গী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াগনি।

শান্নরোই অসিনা ইং ২০১০ গী ৱার্ল্ড কপতা স্পেননা নেদরলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা অদুগা য়ুরো কপতসু লৈবাক অসিমক্না চেম্পিয়ন ওইদুনা থংনা থংনা তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়ন অনিদা শরুক য়ারুরবা শান্নরোই অসি জোন অব্রামহন্না পুথোকপা ক্লব অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

মশাগী চহি ৩৬ শুরবা শান্নরোই অসিনা লা লিগা হায়বা মশান্না অসি য়াওরগা হৌজিক ফাওবা মহাক্না শান্নখিবা মেটচ অসি ৪০০ রোম শুখ্রে। মহাক্না লা লিগা হায়রিবা স্পেনগী ক্লব অসিদা য়াওরিঙৈদা ক্লব অসিনা চনখিবা গোল অসি ৩৬ নি।

শান্নরোই অসিনা য়াওরম্বা য়ুরোপকী ক্লবশিং অদুদি এলিক্ট্রিকো মেদ্রিদ, দিপোর্টদিবো, স্পানিওন অমদি ভিলারলিয়েননি। মহাক্না অরোইবা ওইনা য়াওখিবা হায়বদি মমাঙগী সিজন্দা শান্নখিবা ক্লব অদুদি স্পানিওননি।

ইন্দিয়াদা মখোয়গুম্বা ইন্টরনেসনেলগী লেভেলদা শান্নবদা মায় পাক্লকপদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মেটচ কয়াদা শরুক য়ারকখিবা মহাক্কুম্বা শান্নরোইশিং অসিনা লাক্তুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল অসি চাওখৎনবগী প্রোজেক্ট অমা ওইনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিদা মহাক য়াওদুনা শান্নগনি হায়না লাকখিবনি হায়খি।

শান্নরোই অসিনা মখা তানা হায়খিবা নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্দিয়াদা লৈরিবা নহা ওইরিবা ফুটবোলগী টেলেন্ট লৈবা হৌরক্লিবশিং অসিবু পৃথিবীদা মমীং লৈবা শান্নরোই অমা ওইরক্লবা লোয়ননা মখোয়বু পোপুলর ওইনবগীদমক স্পেনগী ষ্টার অসিনা ক্লব অসিদা শরুক য়াবনি হায়না ক্লব অসিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা জেন্না ফোঙদোকখি।

লাজোং এফ সি গী মেনেজিং দাইরেক্টর অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী কো ওনর ওইরিবা লার্সিং এম সাৱেয়ননা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোই অসিবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি হায়রিবা ক্লব অসিদা য়াওহনবা অসি য়াম্না দরকার লৈবা অমা ওইরি।

অৱাং নোংপোক লমদগী লাকপা ফুটবোলগী ফেনশিংনা মহাক অসি শক খঙবগা লোয়ননা মহাক্না নীংথিনা মেটচ শান্নরক্তুনা ইন্দিয়ানা সুপর লিগ অসিদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ হায়রিবা ক্লব অসিনা অৱাংবা থাক্তা লাক্কনি হায়না পনখি।

## ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০১৬ তা ওলেম্পিক পাঙথোক্কদৌরি

*রিও, জুলাই ১৬ঃ*

২০ শুবা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইখ্রবা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা সমর ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্লনবগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক খুৎমাঙ চাওশিল্লি হায়না আই ও সিগ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিনা হন্দক্কী চহিসিদা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইদুনা মায় পাক্না পাঙথোকখিবা অসিগুম্বা চহি অনিগী মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক অসিসু মায় পাক্না পাঙথোক্কনি হায়না রিওগী ময়োর ইদুরাদো পেসনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকখিবা অসিগুম্না য়াম্না সেরিএস ওইনা লৌবগা লোয়ননা ওলেম্পিক্কী মেন ভেন্যুনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং অসি মতম চানা লোয়শিন্নবগী পান্দম থল্লি।

অমরোমদা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা জোন কোর্টেসনা রিওগী কাঙবুশিংদা থা অনিগী মমাঙদা থবক অসিগী মতাংদা করি প্রোসেস লৈরবগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্না হংখিবা ৱাহংশিং অদুগী মনুংদা এথেন্সতা ইং ২০০৪ দা পাঙথোকখিবা গেম অদুগুম্না ওলেম্পিক হৌগদবা মতম খজিক্তা ঙাইরবা কান্দা শেম শাগৎলিবশিং অসি পুল্লোয় লোয়শিনগদৌরিব্রা হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

রিওগী ময়োর পেসনা ৱাফম অদুগী মতাংদা পল্লদুনা হায়, ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু অনিরক ওইখ্রবা লৈবাক অসিনা ওলেম্পিক্কীদমক লাক্লিবা এঠলেট ১০,৫০০ ভলন্টরি লিশিং ৪৫ অমদি মেদিয়াগী মীওই লিশিং ২১,৫০০ তোঙান তোঙানবা মফমদা থম্বা ঙমখিবা অদুগুম্না ওলেম্পিক অসিদা লাক্লিবা মীওইশিংবু মতিক চাবা মফমদা থমগনি হায়খি।

ওগ´নাইৃজরশিংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না শেমগৎ শাগৎলিবা অসি হৌজিক চাদ ১০ দগীনা ১৫ ফাওবগী চাং খক্তা ঙাইরে। ৱাংহৌরিবা শরুকশিং অসি চৎলিবা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা লোয়শিনগনি হায়না পান্দম থমদুনা থবক শুরি। মসিগা লোয়ননা দিওদোরো হায়রিবা মফম অসিদা অচৌবা ভেন্যু অমা ওইবগা লোয়ননা মফম অসিমক্তদা মশান্না ৭ পাঙথোক্কনি। মশান্না ৭ অদুগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা ইভেন্টশিং সুট্টিং, ফেন্সিং অমদি মাউন্টেন বাইক্লচিংবা মফম অসিদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিগা মরী লৈননা সাও পাওলোগী মফম খরদা মেট্রো ট্রেন চেন্নবা শেম শাবগী থবকসু য়াম্না কন্না চংখরি। সাও পাওলোগী মফম খরদা মরুওইবা ইভেন্ট খরা পাঙথোকদৌরিবা অসিগী চংখোক চৎশিন্দা খুদোং চানবগীদমক মেট্রোগী ট্রেন ট্রেকশিং কন্না শেমজিনবগী থবক পায়খৎলি।



## আর্জেন্টিনানা ৱার্ল্ড কপতা মায়থিহৌরবসু লিওন মেসিদা অহোংবা লৈরোই

*কোলকটা, জুলাই ১৬ঃ*

ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা আর্জেন্টিনা জর্ম্মনগী মখুত্তা মায়থিহৌরবসু আর্জেন্টিনাগী ষ্ট্রাইকর ওইরিবা লিওন মেসিদদি থোইদোক্না অহোংবা লৈতে হায়রি।

শান্নরোই অসিনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা গোল্ডেন বোল ফংদুনা পৃথিবীগী ওইনা খ্বায়দগী ফবা শান্নরোইগী মনা ফংবা ঙমখি। মহাক্না গোল্ডেন বোলগা লোয়ননা ময়ুমদা হল্লকপদা আর্জেন্টিনগী মীয়াম্না ৱার্ল্ড কপকী হেরো ওইরিবা মেসিবু পুক্লিং থৌগৎখি।

শান্নরোই অসিনা গোল্ডেন বোল ফংবদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট সেফ ব্লেটর ফাওবা অঙকপা পোকখি। মরমদি মতম অমগী আর্জেন্টিনা টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা হৌজিক্তো মশান্না অসিদগী পোত্থখ্রবা দিগো মারাদোনানা মেসিনা হন্দক্কী ওইনা বেষ্ট প্লেয়ারগী মনা অসি আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই অসিনা তাগনি হায়না মমাঙদা চাওথোক্না ফোঙদোকপা লৈখি।

মেসিনা ফোঙদোকখিবদা ফাইনেল মেটচ অদু লোয়গদবা শুপ্নগী মিনিট ৭ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা জর্ম্মনগী ১১৩ শুবা মিনিটতা চনখিবা গোল অদুনা মরম ওইদুনা আর্জেন্টিনা মায়থিহৌখিবনি। মহাক্না এৱার্দকীদমক খন্দুনা কৈদৌঙৈদা শান্নখিবা লৈতে। মহাক্না আর্জেন্টিনাগী মীপুম খুদিংমক্কীদমক্তা মশান্না অসিদা থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসি নৎত্রবসু মথংগী ৱার্ল্ড কপ্তুদি মখোয়না চেম্পিয়ন ওইগনি।



## ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিকতা শরুক য়াগদবা গোল্ফকী শান্নরোইশিং লাওথোকখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, জুলাই ১৬ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌবিবা ইং ২০১৬ কী ওলেম্পিকতা শরুক য়াগদৌরিবা গোল্ফ শান্নরোইশিংগী মনুংদা য়ু এস এ গী টাইগর ৱুদ য়াওনা মীওই ৪ টোপ ১৫ গী মনুংদা য়াওরি।

হৌজিক ফাওবদা খনগৎলপা শান্নরোইশিংগী লিষ্ট অসিদা মীওই ৬০ খনগৎলে। মখোয়না হোল ৭২ দা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জকী মেদলশিং লৌনবা হোৎনগদৌরি। ইন্টরনেসনেল গোল্ফ ফেদরেসন্না ক্বালিফাইয়িংগী সিষ্টেম অসি লাওথোরকপদা অমেরিকাগী ওইনা অফবা শান্নরোই মরি তোপ অসিদা য়াওরি। ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক অসিদা হন্দক গোল্ফ হায়রিবা মশান্না হাপচিল্লক্লিবা অসি ইং ১৯০৪ দা সেন্টলাওষ্টতা পাঙথোকখিবা অদুগী মতুংদা অহানবা ওইনা মশান্না অসি হাপচিল্লকখিবনি।

খল্লগৎলবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা তোপ ১৫ গী রেঙ্কিং অসি ওলেম্পিক অসি পাঙথোক্কদৌরিবা চহি অদুদা হোংদোক হোংজিল লাক্লবসু মখোয়শিং হায়বদি নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোইশিং অসি পাঙথোক্কদৌবিবা ওলেম্পিক অদুদা শরুক য়াবা য়াগনি। হৌজিক ফাওবদা খনগৎলবা শান্নরোই ৬০ গী মনুংদা অমেরিকা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ওইনা শান্নরোই মরি শরুক য়াবা লৈত্রি।

